# জেসামিদা লমখৈগী য়েৎনরিঙৈদা সেনাপতিগী তুংজোয়দা নাগালেন্দগী টুরিষ্ট সেন্টর শানবা হোৎনরম্লে

## মণিপুরদা আইএমগী সিজ ফায়র এক্সটেন্দ তৌদে, কেম্প লৈরম্লবসু তকথোক্কনি

*-হোম মিনিষ্টর*

*থৌদাং পাউমীদগী*

***ইম্ফাল,এপ্রিল ২৬ঃ*** মণিপুরগী উখ্রুল দিষ্ট্রিক্তকী জেসামিগী শরুক্তা য়ুমথংনরিবা নাগালেন্দগী মেলোরি খুলগী খুঙ্গাশিংনা নম্ফুদা লম খোপচিল্লকপা অমদি জেসামিগী মীওই কয়া খুৎলায় পুদুনা লাক্লগা ফু চৈবগী থৌওং কয়া চখবগী অচৌবা ৱাথোক লৈরিঙৈ মনুং সেনাপতি দিষ্ট্রিক্তকী নাগালেন্দগা তায়নবা তুংজোয় এরিয়াদা লমখৈ লান্না নাগালেন্দগী টুরিষ্ট সেন্টর শানবা হোৎনরম্লে।

ওইরক্লিবা ফিভম অসিগা মরী লৈননা ষ্টেটসিগী হোম মিনিষ্টর শ্রী গাইখাঙম্না নুংনাংবা ফোঙদোক্লদুনা ঙসি পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা হায়খিবদা, নাগালেন্দগা তায়নবা মণিপুরগী ঙমখৈগী শরুকশিংদা লম খোপচিল্লক্তুনা লমখৈগী চয়েৎনবা লৈরিবশিং অসি ষ্টেট অনিগী থাক্তা ৱারী শান্নদুনা শন্তাইনবা অমা পুরক্লবা হোৎনগনি। জেসামিদা আইআরবি নত্রগা ষ্টেট ফোর্সকী কম্পনি অমা থম্লগনি।

সেনাপতি দিষ্ট্রিক্তকী তুংজোয়গী লমদা মমাংদসু নাগালেন্দগী খুঙ্গাশিং লম খোপচিল্লকপগী ৱাথোক লৈখ্রে। হৌজিকসু অমুক নৌহৌননা তুংজোয়গী লমদা নাগালেন্দ সরকারনা মখোয়গী টুরিষ্ট সেন্টর অমা শাগৎনবা হোৎনরে হায়বগী পাউ তুংজোয়গী প্রজাশিংনা পাউদম্লকপা লৈরে। ৱাফম অসি ষ্টেট সরকারনা য়াম্না হকচিন্না লৌই। করিগুম্বা মসিনা চুম্লম্লবদি সরকারসিনা খক তুমিন্না লৈথোক্লোই। মদু থিংনবা হোৎনগনি।

নাগালেন্দগা তাইননা লৈরিবা জুকো ভেলিদা লমগী য়েৎনবা লৈরিবসিসু লৈহন্দনবা হোৎনগনি। মণিপুরদগী জুকো ভেলি চৎপদা নাগলেন্দ মনুংগী লম্বী মতেক খরা ফাওরিবসি তোক্তুনা মণিপুরগী ওইবা তোঙানবা লম্বী শেম্নবা থৌরাং তৌরগনি। ঐখোয়গী ওইবা লম্বীদা জুকো চৎচনবা অমসুং গেষ্ট হাওস অমসু শাবা লোয়শিন্নবা হোৎনরগনি।

হন্দক জেসামিগী খুলদা নাগালেন্দগী মেলোরি খুলগী খুঙ্গাশিংদা লাক্তুনা জেসামি মচা কয়া ফাবা পুনবা অমসুং ফু চৈবগী থৌওং কয়া চখিবদু ষ্টেট সরকারনা লুম্না লৌদুনা থেংনখি। হোম মিনিষ্টর অমা ওইনা মহাক মশামক দিল্লিদা লৈরিঙৈদা থৌদোক্তুগী পাউ তাখি। পাউ অদু তাবদা জেসামিদা লমদমদুগী প্রজাগী মীহুৎ অমা ওইনা লৈরিবা এমএলএ প্রেশো সিমরে অমসুং আইজিপিদগী তাদবা পুলিস ওফিসার থাজিন্দুনা ফিভমদু য়েংশিনখি। জেসামি প্রজা কয়ানা এমএলএ অমসুং পুলিস টিম অদু ওকপগা লোয়ননা মফম অদুদা ষ্টেট ফোর্সকী পোষ্ট অমা থম্বা পাম্বগী অপাম্বা ফোঙদোরকপা লৈরে। অথুবদা মফম অদুদা আইআরবি নত্রগা ষ্টেট ফোর্সকী কম্পনি অমা থারগনি।

নাগালেন্দগা তায়নবা মণিপুরগী ঙমখৈগী শরুকশিংদা য়েৎনরিবা কয়া অসিসু অথুবদা ষ্টেটকী থাক্তা ৱারী শান্নদুনা লোয়শিন্নবা হোৎনগনি। ষ্টেট অনিগী বাউন্দরিগী চয়েৎনবা লাকপদা সেন্টরনা শন্তাইনবা পুরক্লবা হোৎনগদবনিসু হায়খি।

অমরোমদনা মণিপুরদা ভারত সরকারগা ৱারী শান্নরিবা নাগালেন্দগী লালহৌলুপ এনএসসিএন (আইএম) অনিগী মরক্তা লৈনরিবা সিজ ফায়র এক্সটেন্দ তৌদে। মসিনা মণিপুরদা এনএসসিএন (আইএম)গী দিজিগনেটেদ কেম্প অমত্তা লৈফম থোক্তে। লৈবসু য়ারোই। মণিপুর সরকারনা মশক খঙবা কেম্প অমত্তসু লৈতে। লৈরম্লবসু তকথোক্কনি।

আর্মি/ অসাম রাইফলসনা মণিপুরদা এনএসসিএন (আইএম)গী দিজিগনেটেদ কেম্প লৈ হায়রিবসিনা চুম্লগদি ভারত সরকারনা অকনবা মীৎয়েং চংনবা খঙহনগনি। হান্নদগী হৌনা মণিপুর সরকারগী ওইনদি আইএমগী কেম্প অমত্তা লৈবা য়ারোই হায়খিবা লৈবনা মসিদা মীৎয়েং চংগনি।

হৌখিবা থা অমরোম অসিদা অঙাং কয়া ফারগা লালহৌবা য়াওনবা হোৎনরিবসি থিংনবা সরকারগী অকনবা চেকশিন-থৌরাং লৌখৎলে। পুলিস ষ্টেসন অমসুং স্কুল ওথোরিটিদা মীকুপ নাহুমশিংনা লৈনবা খঙহনখ্রে। ৱাখল মপুং ফারবা মীওই কয়া লালহৌলুপ অমত্তদা য়াওনবা থোরক্তবদগী খুৎলায় পায়বা লালহৌলুপ কয়ানা ৱাখল মপুং ফাদ্রিবা অঙাং কয়া ফাদুনা য়াওহন্নবা ফাবা পুনবগী থবক তৌরকপা অসি লাইবক থিবনি। মসি খুদক্তা তোক্কদবনি। অঙাং ফাদুনা লান্না লমজিংন্নবা শেল পীদুনা ঙাইহাক্কী ওইনা মমিৎ থকহনবসি তোকপীয়ু। মণিপুর পুলিস অসি মীয়ামগী মরুপ ওইবা পুলিসকী ইথিক্স ঙাকপা অনৌবা ফোর্স অমা ওইনা শেমগৎনবসু হোৎনরি। মণিপুর পুম্বগী সেক্যুরিটি এসেসমেন্ট থা অহুম চংনা তৌখিগনি হায়না ফোঙদোকখি।